# ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লাক্লিবা চহী ১২ অসিদা মশক থোকপা শান্নরোয় পুথোক্লনবা থৌশিল শেমগদৌরি

## অকক্লবা দিসিপ্লিনখক্তদা মিৎয়েং থম্বনা লেপ্তুনা মেদল লৌবা ঙমগনি : রিপোর্ট



ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ২৭ ঃ
ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ৫ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৩১শুবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা ইন্দিয়ানা মেদল অনীখক্তমক ফংদুনা নিংবা কায়না লৈহৌখিবা অদু মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা লাক্লিবা চহী ১২ অসিদা মশক থোকপা শান্নরোয় পুথোক্লনবা থৌরাং থৌশিল অমা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শেল্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইরাই নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

অমরোমদা ইন্দিয়ানা রিও ওলেম্পিক্সতা অশোনবা পার্ফোমেন্স উৎখিবদুনা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অনীখক্তমক লৌদুনা নিংবা কায়না লৈহৌখিবা অদু লুম্না লৌদুনা লৈবাক অসিগী স্পোর্টস ফেদ্দরেসনশিংনা জপান, হঙ্গেরি, ক্যুবা অমদি জমাইকাগুম্বা লৈবাকশিংনা তৌবগুম মেদলশিং লেপ্তুনা লৌবা ঙম্নবা অখন্নবা মশান্নশিংদা অহেনবা মিৎয়েং থমদুনা হোৎননবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিন্নরক্লি।

লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২০, ২০২৪ অমদি ২০২৮ গী গেমসদা মশক থোক্লা এথলেটশিংনা শরুক য়াবগা লোয়ননা মখোয়গী স্পোর্টস ফেসিলিটিশিং অমদি ট্রেনিংদা নত্তনা মখোয়গী সেলেক্সন প্রোসেসশিং থাক ৱাংখৎহনগদৌরি।

ইন্দিয়ানা চহী মরিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা লন্দন ওলেম্পিক্সতা মেদল তরুক লৌবা ঙমখ্রবসু লোইশিনখিবদা ঙাইখ্রিবা রিও গেমসদা মেদল অনীখক্তমক লৌবা ঙমখি।

ইরাই নুমিৎতা ফমখিবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরগী মীফমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমস অহুমগীদমক মশক থোক্লা শেম শানবগীদমক টাস্ক ফোর্স শেল্লগনি হায়না লাউথোকখি হায়না লৈঙাক্লা থাদোরকখিবা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা টাস্ক ফোর্স অসি নুমিৎ খরনিগী মনুংদা শেমগনি হায়রি। ইন্দিয়ানা হৌখিবা ওলেম্পিক ২৪ দা শরুক য়াখিবদা মেদল ২৮ খক্তমক লৌবা ঙল্লি। স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা টিম অমা রিওদা থাদুনা মেদল ১০ ফাওবদি লৌগনি হায়না টার্গেট তৌখিবনি।

অমরোমদা, হন্দক্তা লোইশিনখিবদা ঙাইখ্রিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা ইন্দিয়ানা মেদল অনীখক্তমক লৌরকখিবা অদু লাক্কদৌরিবা মথংগী ওলেম্পিক্স গেমস অহুমগী শেম-শানবগীদমক টাস্ক ফোর্স অমা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লিংখৎলগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখিবা ৱাফম লৈবাক অসিগী মীয়াম্না অপেনবা ফোঙদোক্লরকপগা লোয়ননা নুংঙাইবসু ফেঙদোরক্লি।

রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা এস শট্টলর পি ভি সিন্ধু অমদি রেষ্টলর সক্সি মালিকনা মথংশিংনা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অমমম লৌদুনা কুমজা ১৯৯২ গী বার্সেলোনা ওলেম্পিক্সকী মতুংদা অহানবা ওইনা মেদল অমত্তা লৌবা ঙমদনা হল্লক্লমগদবদগী কনবা ঙমখি। রিও গেমস অদুদা জিম্নাষ্ট দিপা কর্মাকরনা মেদলমক লৌবা ঙমখিদ্রবসু লম্বানখিবা লৈবাকশিংগী মমাঙদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা মরিশুবা পোজিসন তাখিবদা নত্তনা লৈবাক অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎলমখিবনি।

পনবা য়াই, মশাগী চহী ২১ শুরবী পি ভি সিন্ধুনা ওলেম্পিক্স গেমসদা লৈবাক অসিগী অহানবা বেদমিন্টন মশান্নগী সিলভর মেদল লৌবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী নুপী শান্নরোয় ওইখি অদুগা সক্সি মালিকসু ব্রোঞ্জ মেদল লৌদুনা ওলেম্পিক্সতা মেদল লৌবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী রেষ্টলরসু ওইবা ঙমখিবনি। নুপী শান্নরোয় অনী অসিদা নত্তনা চহী কয়াগী মতুংদা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী জিম্নাষ্ট অমা ওইনা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা শরুক য়াখিবী দিপা কর্মাকরনা পোইন্ট ০.১৫ প্রোদুনোভা ভোল্টতা শিংথানিংঙাই ওইবা পার্ফোমেন্স পীদুনা লৈবাক অসিদা নত্তনা মালেমগী মীয়ামগী থম্মোয় জয় তৌখিবনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শান্নরোয়শিংবু মতিং হাপ্পবগীদমক শেমখিবা টার্গেট ওলেম্পিক পোদিয়ম স্কিমগী মখাদা রিও গেমসগীদমক শেম শানবা অপুনবা লুপা ক্রোর ৪০/৫০ রোমগী বজেট অমা থমখিবদা লুপা ক্রোর ৩০ খরা হেন্না চাদিং তৌখি হায়রি। হায়রিবা চাদিং তৌখিবা শেনফম অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, গ্রেট বৃটেন, ওষ্ট্রেলিয়া, কনাডা অমদি ন্যুজিলেন্দগুম্বা লৈবাকশিংনা মখোয়গী শান্নরোয়শিংগীদমক থাদখিবা শেনফমগা য়েংনরুবদা কা হেন্না নেম্বা হায়বদু ওইরি হায়রি।

রিও গেমসগী শেম শানবগীদমক টার্গেট ওলেম্পিক পোদিয়ম স্কিমগী মখাদা পি ভি সিন্ধু অমদি সক্সি মালিকনা মথংশিংনা লুপা লাখ ৪৪ অমদি লাখ ১২ খক্তমক ফংখি। অদুবু মখোয়না রিওদা মায় পাক্তুনা মেদল পুরগা হল্লকখিবদগী লৈবাক অসিগী মফম কয়াদগী শেলগী মতেং পীরকখিবদা সিন্ধুনা লুপা ক্রোর ১৩ অমদি সক্সিনা লুপা ক্রোর ৫.৬ ফংখি। মেদল লৌরক্লবা মতুংদা শেল পীবগী মহুৎ মেদল লৌরক্লবা মায়কৈদা মিৎয়েং থমদুনা শেনফমশিং পীবনা হেন্না কান্নবা পুরকপদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মিংচৎসু থম্বা ঙমগদবনা হীরম অসোমদা পুক্নিং চিংশিনবা চুমগনি হায়রি।

অমরোমদা রিও ওলেম্পিক্সতগী ইন্দিয়ানা থেংনখিবা অহোবশিং খঙজিন্দুনা মতুং তরকপদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা থবক পায়খৎপা মতম ওইরে হায়রি।

রেষ্টলর সক্সি মালিককী ব্রোঞ্জ অমদি বেদমিন্টন সিঙ্গলসতা পি ভি সিন্ধুগী সিলভর মেদল অপুনবা মেদল অনীনা শান্নরোয় ১১৮ না শাবা খ্বাইদগী চাউবা কন্টিঞ্জেন্ট অমনা শরুক য়াখিবদা ইন্দিয়াগী মায় ঙাকখি। মেম্বর ১০০ দগী হেনবা কন্টিঞ্জেন্ট অমনা ওলেম্পিক্স গেমসদা শরুক য়াখিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবসু ওইরি।

মতাং অসিদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস ফেদ্দরেসনশিংনা জপান, হঙ্গেরি, ক্যুবা অমদি জমাইকাগুম্বা লৈবাকশিংনা তৌবগুম অখন্নবা মশান্নশিংদা অহেনবা মিৎয়েং থমদুনা লেপ্পা লৈতনা মেদলশিং ফংনবা হোৎনবা মথৌ তারি।

রিও গেমসদা জপাননা গোল্ড ১২, সিলভর ৮ অমদি ব্রোঞ্জ ২১ পুন্না মেদল ৪১ লৌখিবগী মনুংদা জুদোখক্তদা গোল্ড অহুম, সিলভর অমা অমদি ব্রোঞ্জ নিপান পুন্না মেদল ১২ লৌখি। লাক্লিবা কুমজা ২০২০ গী ওলেম্পিক্স গেমস য়ুম্বু ওইগদৌরিবা লৈবাক অসিনা স্বিমিং অমদি রেষ্টলিংদা মেদল মাপন অমদি তরেৎ লৌখি।

হঙ্গেরিনা অপুনবা মেদল ১৪ লৌখিবগী মনুংদা স্বিমিংদা মেদল তরেৎ অমদি কেনো স্প্রিন্টতগী অনী পুন্না মাপনদি এক্রাটিক স্পোর্টসতগী ফংখি। মেদল মরি অমনা ফেন্সিংদগী অদুগা মেদল অমনা এথলেটিক্সতগী লৌখি। ক্যুবানা মেদল মাপন ফংখিবগী মনুংদা তরেৎতি বোক্সিং (মরি) অমদি রেষ্টলিং (অহুম) দা লৌখি। মেদল মশিংদা য়েংলুবদা নোর্থ কোরিয়াগী অপুনবা মেদল তরেৎকী মনুংদা মরিদি ৱেঠলিফটিংদা ফংখিবনা লৈবাক অসিসু অখন্নবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনদা মিৎয়েং চঙলি হায়বসু উৎলি।

অঙকপা পোক্লিংঙাই ওইবা অমনা জমাইকা (১১), ইথিওপিয়া (৮) অমদি কেনয়া (১৩) না ফংখিবা মেদলশিং এথলেটিক্স মশান্নদগী লৌখি। জমাইকানা অখন্ননা স্প্রিন্ট অমদি মিদ্দল দিষ্টেন্সতা মিৎয়েং থমখি অদুগা ইথিওপিয়া অমদি কেনয়াগী এথলেটশিংনা মিদ্দল অমদি লোং দিষ্টেন্সতা মায় ওনশিন্দুনা হোৎনখি।

লৈবাকশিং অসিনা অখন্নবা মশান্নশিংদা মেদলশিং লৌরিবা অসি অখন্নবা ওলেম্পিক্স গেমস অমখক্তদা ওইদ্রি। কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা জপাননা জুদোদা মেদল ৭, স্বিমিংদা ১১ অমদি রেষ্টলিংদা মেদল তরুক লৌখি।

# দেল্লিনা য়ুম্বু ওইদুনা ঙসিদগী দুরান্দ কপ ফুটবোল টুর্ণামেন্ট পাঙথোক্লগনি

## নেরোকা এফ সিনা পুল বিদা টিম মঙাগা পুন্না তাম্নিন্নরি



ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ২৭ ঃ
লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল টুর্ণামেন্ট অমা ওইরিবা দুরান্দ কপকী ১২৮ শুবা এদিসন মফম অসিগী অম্বেদকর ষ্টেদিয়ম অমদি হার্বাকশ ষ্টেদিয়মদা ওগষ্ট ২৮ দগী সেপ্টেম্বর ১১ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। অদুমকপু টুর্ণামেন্ট অসিদা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা প্লেয়রশিংগী এক্সনদি উবা ফংলরোই।

টুর্ণামেন্ট অসিদা টিম ১২ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াগনি। টিমশিং অদুদি পুল এ দা এফ সি দি গোৱা, দি এস কে শিভাজিয়ন্স, মিনরভা এফ সি, গেংটোক হিমালয়ন, ইন্দিয়ন নেভি অমদি আর্মি গ্রীননি। পুল বিদা আইজোল এফ সি, দেম্পো এস সি, নেরোকা এফ সি, রিয়েল কাশ্মির, আর্মি রেদ অমদি ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সনি।

মমাঙ চহীদা গোৱানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা টুর্ণামেন্ট অসি ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) কী অহুমশুবা এদিসন হৌগদবা চয়োল অহুম ৱাৎলিঙৈ মমাঙদা শান্নবা হৌখিবদগী মশক নাইরবা প্লেয়রশিং আই এস এলদা চৎখিদুনা শান্নবা য়াওখিদে।

টিম ১২ না শরুক য়াগদৌরিবা টুর্ণামেন্ট অসিদা দেম্পো এস সি অমদি স্পোর্টিং ক্লব দি গোৱাখক্তনা মশক থোক্লা শান্নদুনা ফেনশিং মথুম-মরাং হৌহনগনি হায়না থাজনরি।

অদুম ওইনমক আমর্দ ফোর্সেসতগী শরুক য়ারিবা টিম মরিনা গোৱাগী ক্লবশিংবু অথিংবা পীগনি হায়না পানরি। টুর্ণামেন্ট অসিদা মণিপুরগী মশক নাইরবা টিম অমা ওইরিবা নেরোকা এফ সিসু শরুক য়াদুনা মখোয়গী তৌবা ঙম্বশিং উৎথোক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

নেরোকা এফ সিনা ফোরেন প্লেয়রশিং হাপ্তুনা হৌখিবা চহী ৩/৪ দগী হোৎনদুনা ইন্দিয়াগী লৈরিবা টিমশিংগা লম্বানবা ঙম্নবা খোঙজেল য়াঙনা চঙশিনবা হৌরকখ্রবনি। মসিমক্লা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা মশক থোকপা টিম অমা ওইনা লেপ্পা ঙল্লি হায়রি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা টিমনা লুপা লাফ ৪৫ গী মপু ওইগনি অদুগা রন্নরস-অপনা লুপা লাখ ২০ ফংগনি। টুর্ণামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেলিষ্ট অনীদা লুপা লাখ ৫/৪ সু কেস এৱার্দ ওইনা পীগনি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী অহানবা এদিসন সার হেনর মোর্টাইমর দুরান্দনা শিন্দুনা কুমজা ১৮৮৮ দা সিম্লাদা পাঙথোকপা হৌখি। মতম অদুদগী টুর্ণামেন্ট অসি দিফেন্স সার্ভিসেসকী মিৎয়েং মখাদা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

# ললিটা বাবরদা স্পোর্টর্স জর্নেলিষ্ট এসোসিএসন ওফ মুম্বাই এৱার্দ পীদুনা ঈকাই খুম্নরগনি




মুম্বাই, ওগষ্ট ২৭ ঃ
রিও ওলেম্পিক্সকী ষ্টেপলচেসতা ১০ শুবা পোজিসন তাখিবা এথলেট ললিটা বাবর অমদি মহারাষ্ট্রগী তরুকশুবা চেসকী জি এম শারদুল গাগারেবু স্পোর্টস জর্নেলিষ্ট এসোসিএশন ওফ মুম্বাই (এস জে এ এল) গোল্ডন জুবিলি এন্যুএল এৱার্দ ২০১৬ পীনবা খনগৎখ্রে।

এস জে এ এলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অহমেদনগরদা বেজ তৌবা গাগারেনা স্পোর্টসমেন ওফ দ ইয়র এৱার্দ অমদি সটারাদা বেজ তৌবা ললিটানা স্পোর্টসৱিমেন ওফ দ ইয়র এৱার্দ ফংলগনি হায়রি।

হায়রিবা এৱার্দশিং অসি লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৩ দা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা লান্থোক্কনি। থৌরম অদুদা হান্নগী ইন্দিয়াগী ফাষ্ট বোলর জহীর খাননা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াদুনা ট্রোফি অমদি সার্টিফিকেটশিং খুৎশিন্নগনি।

মুম্বাই অমদি ইন্দিয়াগী মিদ্দল-ওর্দর বেটসমেন অজিঙ্কয়া রহানেবু ইন্টরনেসনল ক্রিকেটর ওফ দ ইয়র এৱার্দকীদমক খনগৎখি। কুমজা ২০১৪ দা কোলকটাদা পাঙথোকখিবা ও দি আইদা খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা ঙম্বগীদমক রোহিট শর্ম্মাবু অখন্নবা এৱার্দ পীনবা খনগৎখিবগা লোয়ননা শারদুল থাকুর অমদি শ্রেয়াস আইয়রবুনা রঞ্জি ট্রোফি ক্রিকেটর ওফ দ ইয়র এৱার্দ পীনবা খনগৎখি।

মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিএসনবু টিম ওফ দ ইয়র এৱার্দ পীনবা খনগৎখি। মুম্বাইনা রঞ্জি ট্রোফিগী ফাইনেলদা সৌরাশট্রাবু মায়থীবা পীদুনা ৪১ রকশুবা ওইনা টাইটল লৌখিবনি।

ষ্টার স্পোর্টস, আই দি বি আই ফেদরেল লাইফ ইন্সুরেন্স, ইন্দিয়ন ওইল অমদি পেয়াদে স্পোর্টস ক্লবনা এৱার্দকী থৌরম অসিবু মতেং পাঙলি।

অতোপ্পা এৱার্দ ৱিন্নরশিং অদুদি অভিনাশ মাহট্রে (স্পোর্টসপার্সন ওফ দ ইয়র ইন্দিয়ন গেমস, কবাদ্দি), সিদধন্ট ভার্ন্টিয়া (জুনিয়র স্পোর্টসমেন ওফ দ ইয়র, টেনিস), অকঙ্কশা হাগাৱানে (জুনিয়র স্পোর্টসৱিমেন ওফ দ ইয়র, চেস), দেভিকা ভাইদয়া (ৱিমেন ক্রিকেটর ওফ দ ইয়র), অর্সান জাফর (জুনিয়র ক্রিকেটর ওফ দ ইয়র), কবাদ্দি টিম য়ু থুম্বা (এক্সেলেন্স এৱার্দ), রিজভি কোলেজ ওফ আর্টস, সাইন্স অমদি কম্মর্স (বেষ্ট কোলেজ ওফ দ ইয়র), বোম্বে স্কোট্টিশ স্কুল, মাহিম (বেষ্ট স্কুল ওফ দ ইয়র), বিল্লিয়ার্দস এন্দ স্নুকর এসোসিএসন ওফ মহারাষ্ট্রা (ইন্নোভেটিব টুর্নামেন্ট এৱার্দ) অমদি ওটুরস ক্লব (ক্লব ওফ দ ইয়র) নি।

# ইন্দিয়ন সুপর লীগকী অহুমশুবা সিজন ওক্টোবর ১ দগী দিসেম্বর ১৮ ফাওবা পাঙথোক্লগনি

মুম্বাই, ওগষ্ট ২৭ ঃ
ইন্দিয়ন সুপরলীগ (আই এস এল) ফুটবোলগী অহুমশুবা সিজন লাক্লিবা ওক্টোবর ১ দগী দিসেম্বর ১৮ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। অদুগা ওপনিং গেমনা গুৱাহাটিনা য়ুম্বু ওইদুনা চৎথগনি অমদি লেগ অনীগী সেমী ফাইনেল পাঙথোক্কদবা মফমনা কোন্না লেপকনি হায়না পাঙ্জী সোর্স অমনা ফোঙদোরক্লি।

লীগ অসিগী প্রমোটর ফুটবোল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট লিমিটেদ (এফ এস দি এল) না হোম-অৱে লীগ ফোর্মেটতা নুমিৎ ৭৯ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা আই এস এলগী গেম ৬১ গী ফিক্সচর ইরাই নুমিৎতা লাউথোকখি। মেচ খুদিংমক নুমিদাংগী পুং ৭ তগী শান্নবা হৌগনি।

সিজন অসিগী ওইনা গুৱাহাটিগী ইন্দিরা গান্ধী এথলেটিক ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওপনরদা জোন অব্রাহমগী ক্লব নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি অমদি সচিন টেন্দুলকরগী কেরলা ব্লাষ্টর এফ সি অনীনা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। অহানবা লেগকী সেমী ফাইনেলনা দিসেম্বর ১০ অমদি ১১ দা পাঙথোক্কনি। অদুগা অনীশুবা লেগকী সেমী ফাইনেলনা দিসেম্বর ১৩ অমদি ১৪ দা পাঙথোক্কনি। ফাইনেল মেচনা দিসেম্বর ১৮ দা শান্নগনি।

ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) ২০১৬ তা শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিং অদুদি অহানবা লেগকীদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি, কেরলা ব্লাষ্টরস এফ সি, এটলেটিকো দি কোলকটা, চেন্নাইয়িন এফ সি, এফ সি পুনে সিটি, মুম্বাই সিটি এফ সি, এফ সি গোৱা অমদি দেল্লি দাইনামোস এফ সিনি। মেচশিংনা গুৱাহাটি, কোলকটা, পুনে, কোচি, চেন্নাই, মুম্বাই, গোৱা অমদি দিল্লিদা শান্নগনি।

## ইন্দিয়ন সুপর লীগ ২০১৬ কী ফিক্সচর

| Day | Date | Time | Match | Home Team | Away Team | Venue |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Sat | 1-Oct | 19:00 | 1 | North East United FC | Kerla Blaster FC | Indira Gandhi Athletic Stadium, Guwahati |
| Sun | 2-Oct | 19:00 | 2 | Ateletico de Kolkate | Chennaiyin FC | Rabindra Sarobar Stadium, Kolkata |
| Mon | 3-Oct | 19:00 | 3 | FC Pune City | Mumbai City FC | Balewadi Stadium, Pune |
| Tue | 4-Oct | 19:00 | 4 | North East United FC | FC Goa | Indira Gandhi Athletic Stadium, Guwahati |
| Wed | 5-Oct | 19:00 | 5 | Kerala Blasters FC | Atletico de Kolkata | Jawaharlal Nehru Stadium, Kochi |
| Thu | 6-Oct | 19:00 | 6 | Chennaiyin FC | Delhi Dynamos FC | Jawaharlal Nehru Stadium, Chennai |
| Fri | 7-Oct | 19:00 | 7 | Mumbai City FC | North East United FC | Mumbai Football Arena, Mumbai |
| Sat | 8-Oct | 19:00 | 8 | FC Goa | FC Pune City | Fatorda Stadium, Goa |
| Sun | 9-Oct | 19:00 | 9 | Kerala Blasters FC | Delhi Dynamos FC | Jawaharlal Nehru Stadium, Kochi |
| Tue | 11-Oct | 19:00 | 10 | Mumbai City FC | Atletico de Kolkata | Mumbai Football Arena, Mumbai |
| Wed | 12-Oct | 19:00 | 11 | FC Pune City | North East United FC | Balewadi Stadium, Pune |
| Thu | 13-Oct | 19:00 | 12 | Chennaiyin FC | FC Goa Jawaharlal | Nehru Stadium, Chennai |
| Fri | 14-Oct | 19:00 | 13 | Kerala Blasters FC | Mumbai City FC | Jawaharlal Nehru Stadium, Kochi |
| Sat | 15-Oct | 19:00 | 14 | Delhi Dynamos FC | North East United FC | Jawaharlal Nehru Stadium, Delhi |
| Sun | 16-Oct | 19:00 | 15 | Atletico de Kolkata | FC Goa Rabindra | Sarobar Stadium, Kolkata |
| Mon | 17-Oct | 19:00 | 16 | FC Pune City | Kerala Blasters FC | Balawadi Stadium, Pune |
| Tue | 18-Oct | 19:00 | 17 | Delhi Dynamos FC | Mumbai City FC | Jawaharlal Nehru Stadium. Guwahati |
| Thu | 20-Oct | 19:00 | 18 | North East United FC | Chennaiyin FC | Indira Gandhi Athletic Stadium, Guwahati |
| Fri | 21-Oct | 19:00 | 19 | Mumbai City FC | FC Goa | Mumbai Football Arena, Mumbai |

# ককচীং থার্দ দিভিজন লীগতা এল ৱাই এনা ৱালিদা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচীংনা শিন্দুনা এসোসিএশন অসিগী প্লে গ্রাউন্দদা চৎথরিবা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা লাইফম য়ুথ এসোসিএশন (এল ৱাই এ) ৱাঙু মায় পাকখ্রে।

টিম মরিনা শরুক য়াদুনা চৎথরিবা থার্দ দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা লাইফম য়ুথ এসোসিএশন (এল ৱাই এ) না ৱাবগাই অৱাং লৈকায় য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএশন ৱালিদা ৱাবগাই গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা লাইফম য়ুথ এসোসিএশন (এল ৱাই এ) ৱাঙুগী গোল অনীমক এল ইমানুএলনা মেচকী ৪৪ অমদি ৪৮ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা ৱালিদা ৱাবগাইগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এম বুধনা মেচকী ৪৭ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা ৱালিদা ৱাবগাইগী রাজু মেচকী ১৪ শুবা মিনিটতা অদুগা এম বুধ মেচকী ৪৩ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

লীগ অসিগী হয়েং অরোইবা মেচ ফুটবোল ক্লব (এফ সি) লমজাও অমদি ওল ইরেংবন ফুটবোল এসোসিএশন (আইফা) ইরেংবন্না নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

হয়েং থার্দ দিভিজন লীগ লোইশিনবগী থৌরমদা খা মণিপুর কোলেজগী ইংলিসকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট পি সোমরেন্দ্রো, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচীংগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গোলজাও অমসুং এলাং কৈনা হায়স্কুল এলাংখাংপোকপীগী ফাউন্দর ঈ সোমোরেন্দ্রোনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

# সকেথ মৈনেনিনা য়ু এস ওপনগী মেইন দ্রোগী ক্বালিফাইদ ওইখ্রে



ন্যুয়োর্ক, ওগষ্ট ২৭ ঃ
সকেথ মৈনেনিনা গ্রান্দ স্লামগী অহানবা ওইনা য়ু এস ওপনগী মেইনদ্রোদা ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখ্রে।

ৱর্ল্ডগী ১৪৩ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা মৈনেনিনা সার্বিয়াগী পেদজা ক্রিষ্টেনবু অহুমশুবা ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা ৬-৩, ৬-০ দা মায়থীবা পীখিদুনা মেইন দ্রোদা চঙখিবনি। সকেথ মৈনেনিনা মেইন দ্রোদা চেক রিপব্লিক্কী জিরি ভেসেলিগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

করিগুম্বা মৈনেনিনা রেঙ্ক ৪৮ শুবদা লৈরিবা জিরি ভেসেলিবু মায়থীবা পীবা ঙল্লবদি অনীশুবা রাউন্দদা মহাক্লা নম্বর ৱান অমদি হৌজিক চেম্পিয়ন ওইরিবা নোভাক জোকোভিচকা লম্বা তৌদুনা মায়োক্লগনি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা মৈনেনিনা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অহুমশুবা ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা মায়থীহৌখি অমদি ফ্রেঞ্চ ওপনগী ক্বালিফাইয়রগী অনীশুবা রাউন্দদা লৈহৌখি।

কুমজা ২০১৫ গী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সিঙ্গলস দ্রোদা য়ুকি ভম্বরিনা গ্রান্দ স্লামগী ক্বালিফাই ওইখিবা অরোইবা ইন্দিয়া প্লেয়র ওইখিবনি। রেঙ্ক ১৭১ দা লৈরিবা ভম্বরিনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অহানবা রাউন্দদা এন্দি মরেগী মখূৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা রামকুমার রামান্থননা ন্যুয়োর্কতা পাঙথোকখিবা য়ু এস ওপন ক্বালিফাইয়রগী অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌদুনা গ্রান্দ স্লাম অসিগী মেইন দ্রোদা চঙবা ঙমদনা লৈহৌখি।

ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফিটটেষ্ট ওইরবা রামকুমারনা অহানবা রাউন্দদা ইটালিগী অলেসন্দ্রো গিয়ান্নেসিগী মখূৎতা ৫-৭, ১-৬ তা মায়থীখি। পুং অমগা মিনিট ১৬ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মশাগী চহী ২১ শুরবা অসিনা ব্রিকপোইন্ট অমা ফাওবা লৌবা ঙমখিদে। ওপনিং সেটতা রামকুমারনা য়াম্না লাকচনা ৫-৭ তা মায়থীখি। অনীশুবা সেটতা মহাক্কী সার্ভ অহুল্লক মাঙজখি অমদি ওপোনেন্টনা নমহৎতুনা ১-৬ তা মায়থীহৌখি।

# অগনিজকানা কন্নেক্টিকট ওপনগী, বৌটিষ্টা ওগটনা ৱিনষ্টন-সালেম ওপনগী ফাইনেল চঙখ্রে

ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ২৭ ঃ
পোলিশকী টোপ সীদ অগনিজকা রাদৱানস্কানা পেট্রা কভিটোভাবু মফম অসিদা চৎথরিবা কন্নেক্টিকট ওপনগী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

ৱর্ল্ড নম্বর ফোরদা লৈরিবা রাদৱানস্কানা চেক্কী ওপোনেন্টপু পুং অমা চুপ্পা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৬-১, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্সতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রবা মতুং য়ু এসতা থুংলখিবা কভিটোভানা রাদৱানস্কাগী মখূৎতা য়াম্না থিনা মায়থীহৌখি।

অনীরক দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইখ্রবা অগনিজকা রাদৱানস্কানা ফাইনেল মেচতা য়ুক্রেনিয়াগী ১০ শুবা সীদ ইলিনা সভিটোলিনাগা মায়োক্লদুনা শান্নরগনি।

ইরাই নুমিৎকী অঙনবা মতমদা শান্নখিবা অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা ইলিনা সভিটোলিনানা স্বিদেনগী জোহান্না লার্সনবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

অমরোমদা নোর্থ কারোলিনাদা চৎথরিবা ৱিনষ্টন-সালেম ওপনগী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা রোবার্টা বৌটিষ্টা ওগটনা ভিক্টর ট্রোইক্কিবু ৭-৫, ৬-৭ (২), ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

অনীশুবা সীদেদ ওগটনা ফাইনেলদা ফেল্লো স্পানিয়ার্দ পব্লো কারেনো বুষ্টাগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। স্পানিয়ার্দকী পাব্লো কারেনো বুষ্টানা অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিল্লমেনবু ৬-৪, ৭-৬ (৫) দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা ওগটনা হন্দক্তা লোইশিনখিবা রিও ওলেম্পিক্সকী কার্টর ফাইনেল ফাওবা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমখি অমদি ৱিনষ্টন-সালেমগী অরোইবা পুংজাদা ৱাইল্ড কার্দ ওইনা চঙলকখি। মহাক্লা মমাঙ চয়োলদা পাঙথোকখিবা সিন্সিনাটিদা শরুক য়াখিদুনা অহানবা রাউন্দদা য়াম্না ঙন্না মায়থীহৌখিবনি। মহাক্লা মহাক্কী কেরিয়রগী মঙাশুবা টাইটলগীদমক মেচ অমখক্তমক মায় পাক্কদবদা ঙাইরে অমদি চহী অসিগীনা অহুমশুবসু ওইরি।

ন্যুয়োর্কতা মথং চয়োলদগী হৌগদৌরিবা য়ু এস ওপনদা ৱর্ল্ডগী ১৭ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা ওগটনা ১৫ শুবা সীদেদ ওইরি। মশাগী চহী ৩০ শুরবা সার্বিয়াগী মাপনশুবা সীদেদ ট্রোইক্কিনা এ টি পি রেঙ্কিংদা ৩৫ শুবদা লৈরি।

ৱর্ল্ডগী ৪৯ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা অমদি ১৬ শুবা সীদেদ কারেনো বুষ্টানা টুর্নামেন্ট অসিদা সেট অমাফাওবা মায়থীদনা চঙলকখিবনি। মহাক্লা চহী অসিগী ওইনা অহুমশুবা ফাইনেল চঙবসু ওইরে। মহাক্লা মিল্লমেনবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি। কারোনা বুষ্টানা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা টোপ সীদেদ রিচার্দ গ্যাসগেটপু মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা ভেটরান লীএন্দর পেস অমদি মহাক্কী পার্টনর জর্মনগী এন্দ্রে বেগেমেননা এ টি পি ৱিনষ্টন-সালেম ওপনগী দবলস ইভেন্টতা স্বিদেনগী রোবার্ট লিন্দষ্টেদট অমদি পাকিস্তানগী আইসান-উল হগ ক্বেরেশিবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

ইন্দো জর্মনগী জুরা অসিনা স্বিদেন-পাকিস্তানগী জুরাবু ১-৬, ৭-৬, ১০-৪ দা মায়থীবা পীখি। দো অসিনা ফাইনেলদা স্পেনগী গুইল্লরমো গার্সিয়া-লোপেজ অমদি ফিনলেন্দগী হেনরি কোন্টিনেনগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

স্পানিশ-ফিন্নগী জুরা অসিনা অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচতা ক্রোসিয়াগী মাটে পাভিক অমদি ন্যুজিলেন্দগী মাইকেল ভেনসপু ৭-৬, ৬-৩ দা মায়থীবা পীরমদুনা ফাইনেল চঙখি।